# “কায়রবা ঋতুগী তান্থা”

## EPISODE-17

**(Change in Vegetation and Animal Distribution)**

*Script :*
**Dr. Irungbam Jamuna Devi**

**CHARACTERS :**

নুপাঃ- (১) য়াইমা - ঙানবীসনাগী নুপা (২) চীংথং - কোরৌঙানবীগী মবুং
(৩) লোয়াঙানবা - ঙানবীসনাগী মচানুপা
নুপীঃ- (১) ঙানবীসনা - প্রোফেসার
(২) কোরৌঙানবী - রিছার্চ ষ্টুদেন্ট

(মতম:- অয়ুক অঙনবা, মফম: কোরৌঙানবীগী য়ুম, নুংশিবা উচেক-ৰায়াগী খোঞ্জেল)

কোরৌঙানবী :- তাচৌ ! সে চা লৈরে, বিস্কুইটসিসু সিদা থল্লগে, তাচৌবু থবক চৎকদবা নৎতরা? উম ... অদো ৰা অমতা হায়গেবা।

চীংথং :- করি ৰা হায়গে হায়বনো, থবকপুদি চৎকনি, করি তৌরগেনে নঙবো, ননিং থুংদবা অৰাৎপা করি লৈরগে তাচৌদা হায়য়ু, তাচৌনা ঙস্বা ওইরবদি ইচলগী ননিং থুংহনগনি।

কোরৌঙানবী :- ঐখোয়গী এম.এ.সি. ইগজামসু হায়দোরক্লগনি, রিজল্টসু অদুম ফজরক্কদবা মাল্লি, তাচৌনা পামজবা ঐনা পি. ঐইচ.দি. তৌদুনা দোক্তরেট ডিগ্রি ফংদুনা মীথোই-মীহেনবী অমা ওইবা হায়বদু য়াম্না পামজৈ অদুবু .....।

চীংথং :- অদুবু কৈদৌরবা, করিনো নঙনা হায়নিংলিবদো হেক্তা হায়য়ুনে, নঙবু ঙসি করি তৌরগে হায়বনি?

কোরৌঙানবী :- (পুক্লিং নুংশিনা) ঐনা পীশক পীক্লিঙৈদগী ইমা-ইপানা ইচিল-ইপ্পাবু হুন্দোক্লল্লগা তাইবংপানসিদা থম্বীরল্লে। তাচৌনা ঐবু ইমা-ইপা শক্লা নাওকোনবীরক্তুনা হৌজিক্তি ঐ মপুং মরৈ ফারক্লে। তাচৌনা মীগীদা থবক শুবা য়াওরগা ফংলকপা শেনফম খরদুনা ইমুং পুনবতা নৎতনা ঐবুসু লাইরিক তমহল্লিবনি, ঐনা সুম লাইরিক মখা তমথদুনা লৈবা হায়বসে তাচৌ য়ামনা ৰারনি অদুনা ঐ পি. ঐইচ.দি. তৌররোই অফংবা থবক অমা হেক্তা তৌদুনা তাচৌগী নতেং পাংলগে।

চীংথং :- ইবুংগী ইবেম্মা, কৌরৌঙানবী করিনো নঙনা হায়রিবদুবো, ইবুংনদি লাইরবা ওইবনিনা ইচলবু ননিং য়াম্না থুংদ্রবরনে, ইবুংনদি নঙবু লমদম অসিগী মীথোই মীহেনবী, শক্লাইরবী অমা ওইহনগে হায়দুনা মঙলান কয়া মঙলিবনি অদুগা নঙনা ইবুংগী মঙলান অসি মঙফাওনহল্লরোই অসিরা।

কোরৌঙানবী :- নৎতেয়ে তাচৌ, তাচৌনা ঐগীদমক অৱাৎপা অমতা লৈহন্দে, ঐগীদমক হোৎনবীবদা নীংবা থুংদবা অমতা লৈজদে, অদুবু তাচৌ, তাচৌনা ঐগীদমক্তা ৱানা হোৎনদুনা শেল তানবদো ঐ য়েংবা ঙমদেয়ে, ঐ য়াম্না ৱাইয়ে অদুনা তাচৌগী নতেং পাংলগে হায়বনি।

চীংথং :- ইবুং করিসু ৱাদে, নঙগী নথৌ হায়ববু ইবুংনা পাল্লিবা মালেমগী মীওই কয়ানা শকখঙনরবা অফাওবা ইনভাইরোনমেন্টলিষ্ট অমা ওইদুনা মালেম অসিবু কনবদা অচৌবা থৌদাং লৌবা ঙম্বা মীওই অমা ওইবদুনি। নঙ তাচৌনা নীংলিবা পাল্লিবা অসি থুংহনবা ঙম্লরোই হায়রিবরা?

কোরৌঙানবী :- তাচৌগী পুক্লিংনা অদু য়ৌরবদি, নচলনা নীংবা শোয়দনা থুংহনজগনি, ঐনা হেক ঙম্লিবমখৈ হোৎনদুনা। তাচৌ থবক চৎকনি হায়বদুবু থেংদ্রিবরা?

চীংথং :- উম চৎলদবনি, আদা থোঙ্গাললোমদা চংলক্লিসিবু কনানোনে... অসিবু নহালৱাই ঐগা লাইরিক তম্মিনখিবা লোয়াঙানবদু নৎতরনে... মানিদা লোয়াঙানবনিদা। লোয়াঙানবা ! চংঙকও লাকও, ওন্থোক্লা থাজদনা লাকইসিবু করি লৈরগে, করি তৌবা য়াওরগে।

লোয়াঙানবা :- ঐখোয় ইমানা নোয় লৈকায়সিদা লৈবী মাগী ছাত্রী অমখক্কী ময়ুম থিরুচো হায়দুনা লকপনি অদুদা নোয়গী য়ুমসু স্বাইসিদা ওইখিগুম তৌবদুদা হেক্তা হংলুরগে হায়দুনা চঙলকপনি।

চীংথং :- কনানো নঙনা থীরক্লিবা নুপীমচাদুবু, মমিংবু করি কৌগেনে, করিগীনো নখোয় ইমাগী ছাত্রীবু নঙবু থীরুচো হায়দুনা থারক্লিবসিবু, কয়াম মগুন লৈবা ছাত্রীনোনে।

লোয়াঙানবা :- ইমানা য়াম্না আশা তৌনা থমজবা ছাত্রী ওইরমাল্লে, মমিংনা কোরৌঙানবী হায়বনি, হন্দক এম.এ.সি. ইনভাইরোনমেন্টেল সাইন্সকী ফাইনেল ইগজাম থাখ্রবা ওইরমাল্লে।

চীংথং :- করি হায়বা কোরৌঙানবী, ঐগী ইচলনুপীসু কোরৌঙানবী কৌই, মাসু হন্দক্তা ফাইনেল ইগজাম থাখিবদা ঙাইরি, নঙনা থীরিবা মীশকসিবু ঐখোয় কোরৌঙানবীরনে।

কোরৌঙানবী :- দাদাহোয়গী ইমা হায়রিসি মেদাম ঙানবীসনা ওইরবরা, মেদামদি ঐখোয়গী ওজানি।

লোয়াঙানবা :- মানিনে, নঙনা হায়রিবা ঙানবীসনা হায়বদুনি, ইয়ুনির্ভসিটিদা ইনভাইরোনমেন্টেল সাইন্সকী প্রোফেসার ওইরিবীদু ঐগী ইমানিনে অদুদি নহাক ঐনা থীরক্লিবা কোরৌঙানবী...।

কোরৌঙানবী :- উম মানি, ঐ দাদানা থীরক্লিবা কোরৌঙানবীদুনি, দাদাগী মরমদা মেদামনা তম্বদগী ঐ হান্না খরদি খঙজরে।

চীংথং :- লোয়াঙানবা ! ইবানি মতম অমদা লাইরিক তম্মিনরকখিবা ইমান্নবা ওইরবসু নোংমতা নঙনসু ঐগী য়ুমদা লাকখিদে ঐনসু নখোয়দা নোংমতা চৎখিদে অদুনা ঐখোয় ইমুং-মনুং অমতা খঙনদে অদুনা নঙনা ঐগী ইচলসে মশক খঙদ্রিবনি অদো নখোয় ইমানা করি হায়য়ু হায়রক্লিবনো।

লোয়াঙানবা :- উম চুম্মী চীংথং, ঙসিদি ইচলগসু শকখঙনরে, ঐখোয় ইমানা মতম খুদিংমক্তা ইচলবুদি অদুম শোন্দুনতা লৈ, ইচলগী মরমদা ৱারীসু অদুম শাই। কোরৌঙানবী ! নঙ ইমানা অমুক্তং ঐখোয়দা লাকউ, ৱারী খরা শান্নগদবা লৈ হায়রুচো হায়দুনা লাকপনি, অদুগা সে পৈশা খরসু পীরকপনি, ইনভেলপসিগী মনুংদা য়াওবনি, লৌশিল্লুসে।

কোরৌঙানবী :- পৈশাদি করিগীনো দাদা, করি মরমগীনো মেদামনা ঐঙোন্দা পৈশা পীরক্লিবসিবো।

লোয়াঙানবা :- ঐসু মরমদি খঙদে, নঙ হয়েং লাকঅগা নশানা অদুম হংজরো, সেনে লৌশিল্লোনে সে। অদো চীংথং নঙবু হৌজিক করি করি হোৎনরিগে।

চীংথং :- ঐদি বি.এ.সি. লোইরগা লাইরিক মখা অদুম তমথদরে, গোর্ভনমেন্টকী থবকসু তৌবা ঙমদবনিনা তৌদরে, মীগী প্রাইভেট কম্পনি অমদা থবক শুবা য়াওরগা অদুদগী ফংলকপা পৈশা খরদুনা ইচিল-ইপ্পা হীংলিবসিনি। নঙদি করি তৌরিগে।

লোয়াঙানবা :- ঐদি হন্দক লাইফ সাইন্সতা দোক্তররেট ডিগ্রি ফংলে, এসিস্টেন্ট প্রোফেসারগী ইন্টর্ভিয়ু য়াওখরে, হায়দি হায়দোরক্ত্রি, খঙদেদো মরুপ মীওইবগী পুন্সি হায়বসে করম থোক্লুদোইনো।

চীংথং :- নখোয়দি পু-পাং শুবা, ইনাক-কৈরাক খুনবা মচানি, নখোয়গীদি অৰাৎপা অমতা লৈতে, নঙগী থবকসু মাই শোয়দনা পাক্লক্কনি, ইচিল-ইপ্পাগীদি অৰাৎপগী অৰাৎপা ঙাক্তা, ইচলনুপীশিদংদি মী ওইনবা শেমনিংঙি।

লোয়াঙানবা :- ইচলদি লাইরিক লাইশুদা মীথোই মীহেনবীনি, হোৎনবা কনবীনি, নোংমদি শোয়দনা মীয়াম্না শকখঙনরবী অমা ওইবা ঙমগনি, হৌজিক্তি ইচলগী করি ৱাৎকনি, মবুং অনি লৈরসিদি। অদুদি ঐ অমুক চৎলগে, কোরৌঙানবী ! হয়েং নখোয় তাচৌগা পুন্না লাকমীন্নরোকো।

কোরৌঙানবী :- হোয় দাদা, হয়েং শোয়দনা লাকচরগে হায়না মেদামদা খরা তন্বীয়ু।

লোয়াঙানবা :- উম শোয়দনা তমগে, অদুদি চীংথং ঐ অমু চৎলেকো।

চীংথং :- ঐ অন্বাইফাওবা থীনদোক্কে, চৎসি লাকও।

-ম্যুজিক-

(মতম: অয়ুক, মফম: ঙানবীসনাগী য়ুম, নুংশিবা ঈশৈগী সুর তপ্না তাবা)

ঙানবীসনা :- ফনা ঙন্না হৌগৎলগা ঙসাইদগী প্রোজেক্ট প্রোপোজেলসিমা লোইশিনগে হোৎনবনি, পাক হেক লোয়বা য়াদে তৌরিসে, পুংসু তরুক তাশিনখরে, ঐদি অয়ুক্কী চাগা অমতবু লোনদ্রিনে, মোয় মপা-মচাদুবু হৌজিক ফাওবা হৌগৎত্রিবরা খঙদেনে (মতোমতা ঙাংজবা)।

য়াইমা :- চা লৈজরে মোয় সনাইবেন্মা, ঙসাই ঙন্তাদগী লাইরিক ইবিরকপদুবু ৱাবিদ্রিবরা, মোয় সনাইবেন্মনা হাবিনবা হায়দুনা বত্তর তৈরবা ব্রেদসু পুজরক্লে, কদাইদা থমজৌগে।

ঙানবীসনা :- মোয় বাবাগী হৌনবা ফাগীনি হায়দুনসু করেম্নবা মানবা ৱাঙাংদু অমুক হৌবিরক্লবরা, ঐসু চা লোল্লুগে হায়দুনা চাকখুমদা চংগে তৌরল্লিবনি, মোয় বাবাহোয় হৌগৎত্রিমাল্লে হায়দুনা লাইরিক ঙহাক ইরম্বগী ৱানি, ঐ মোয়বাবানা লোল্লকপা চাগদু অমতা থকচররোই।

য়াইমা :- কৈনোনে মসিবো সুম নুংশিদনা লক্লবা ফাওবা য়াদবা নুপীসিবো, নঙগী লাইরিক লাইশু তৌবদু মেন তানা তৌজরসনু খন্দুনা নতেং খরদং ওইরসু পাংবীগে হায়দুনা লোল্লুরিবা চাসিবু মানা থক্লরোইকা হায়দনা তৌজশারিনে, ফৈ ফৈ চাসি হৈদোকখ্রগে, ব্রেদসিনা হুইদা ওইনা পীজথোকখ্রগে।

ঙানবীসনা :- ঙাইখোও অমুক্তা সে ঐসু লক্লবনি কৈনো, কদায়নো পীরকও চাগা ব্রেদকদো, ঙসাইদগী ঐদি চা থক্লিংবনা লোইরবনি।

য়াইমা :- ঙসাইনা অদুম হায়না হায়বা য়াদরো, সেনে থকওনে চাসে, শঙ্গোম নং-নং লাওনা, চা মনা কুংতক, শীং, এলাইচিগা থাক্তুনা সনাইবেন্মনা থকপা য়ানবা মওংদা লোনজরকপা চানি।

ঙানবীসনা :- অস অমুক হৌরকএ, মোয়বাবাগী সনাইবেন্মা হায়বা ৱাহৈদু ঐ তাবা য়াম হৈনদে হায়বনে, ঐ ঙসিনে সুম সুম শাওনীংলক্লেবো।

য়াইমা :- সনাইবেন্মাবু সনাইবেন্মা হায়বনি কৈনো, নঙনা পামদ্রগা হায়বীদ্রগা লোইরে, সে শাওরনুসে চাসি থকচিল্লো ইংখ্রনি।

ঙানবীসনা :- মী অতোপ্পনা হায়বনা হায়বনি, মোয়বাবানা হায়বদি থৱাই নুংঙাইতে পুক্লিং নুংশি, করেম্নবা মাল্লি, চুম্নগী চুম্না মীং অদুম কৌবীয়ু।

য়াইমা :- হোয় হোয় মতুংদা অমুক হায়ররোই, ঙানবীসনা ! সি হায়রদি য়ারবরা?

ঙানবীসনা :- উম য়ারে, মোয়বাবাগী চাদি কদায়, ঐ ইতোমতগী পুরক্লিদি করিগীনো, ঐ চা লৌরুখিগে অমুক্তা।

য়াইমা :- লৌরুরনু য়ারে, নচানুপানা চাক থোংগৎহৌরবনি, ইপা-ইচা অদুম থকমীন্নরুরগে নঙনা তৌগদবদো অদুম তৌজরো, নঙগী নথৌ য়ামনবদুদা ঙসিদি ইপা-ইচানা ঙন্তা হৌগৎতুনা নতেং খরা পাংবিগে তৌবনিদা।

কোরৌঙানবী :- মেদাম ... মেদাম ... মেদাম লৈবীবরো... মেদাম ... (কৌবা)।

য়াইমা :- কনানো মপান্দা কৌরিসিবো (শোনবা) ... হো কনানো করি হায়বনো (মনুংদগী খুল্লকপা)।

কোরৌঙানবী :- মেদামবু লৈবীবরা, ঐ মেদামনা লাকউ হায়দুনা লাকচবনি।

ঙানবীসনা :- (থোরকপা) কোরৌঙানবী নঙ লাকঅবরা, লাকও লাকও চংঙকও লাকও, ইবুংঙো অমা য়াওরকইশিনা কনা?

কোরৌঙানবী :- ঐগী ইবুংনি, মেদামহোয়গী য়ুমসে ঙসিনা অহানবা লাকপগা ওইরে, মফম চপ চানগা খঙদবনে ইবুং হৌরগা ওইনা হেক্তা লাকমীন্নরবা।

ঙানবীসনা :- উম ফরে ফরে অদো ইবুংঙোগী মীংদি করি কৌই।

চীংথং :- মেদাম ! চীথং কৌজৈ, ইচলনুপীসি মথন্তা থাদোকনীংদদুনা মতুং ইনজরক্লিবনি।

লোয়াঙানবা :- (থোরকপা) চীংথং ... কোরৌঙানবী, নখোয় লাকঅবোরে, ঐদি ইমুংদা লৈরিঙৈদা নখোয় লাকপগা অমতা খঙহৌদরে।

ঙানবীসনা :- দ্রোইং রুমসিদা ওইনা পুল্লপ হেক্তা ফম্মীন্নরসি, কোরৌঙানবী নঙগা খন্নগদবা ৱা য়াম্না লৈরে অদুগী কৌরিবনি।

য়াইমা :- ইবেম্মা কোরৌঙানবী ! নখোয় মেদামনা নঙবুতা শোন্দুনা লৈ, নঙগী মরমদসু ৱারী হেক হেক শাই।

কোরৌঙানবী :- অহোয় পাবুং, মতম খুদিংমক্তা মেদামনা ঐবু য়াম্না নুংশিনা লোয়নবী অদো পাবুংগী মীংসি য়াইমা হায়বা নৎতরা।

য়াইমা :- উম মানি, ইপাদি মীয়াম্না ওজা য়াইমা চুমচৎ হায়রগনা হেন্না খঙনবনি, হন্দক্তা ওজাগী শিনফমদগী পোৎথাবদা ঙাইরি। নখোয় মেদামগা ৱারী শারম্মুকো, ইপা থবক খরা লোয়শিল্লুখিগে।

কোরৌঙানবী :- অহোয় পাবুং, ঐ মেদামগা ঙহাক করি করিনো খরা তান্নজহৌখিগে।

লোয়াঙানবা :- চীংথং লাকও, ইবানিসু ঐগী কাদা ওইনা ফম্লুসি, চংঙসি লাকও।

চীংথং :- হোয় ঙহাক ৱারী শরুসি, ঐখোয় ইবেম্মা ঙায়বা ওইনা।

ঙানবীসনা :- কোরৌঙানবী হৌজিক মালেমগী অইং-অশাগী খলদা অহোংবা অকায়বা কয়া অমা লাকপদগী হায়বদি ক্লাইমেৎ চেঞ্জ থোরকপদগী মালেমগী মফমশিংদা হান্না লৈজরম্বা, হৌজরম্বা শা-ঙাশিং অমদি পাম্বী মখলশিং লৈবা ঙল্লক্তবা হৌবা ঙল্লক্তবশিং অসিগী মরমদা থীজিনবা অমদি মসিদগী করম্না ঙাকথোক্কদগে হায়বগী মতাংদা ঐনা প্রোজেক্ট অমা তৌগে খল্লি, হায়রিবা প্রোজেক্ট অসি নঙনা ঐবু এসিস্ট তৌগদবনি।

কোরৌঙানবী :- অদুদি য়াম্না ফবা থবকনি, ঐনসু য়াম্না পামজবা টোপিকনি মেদাম, অদো মেদাম ঐ ইশাগী রিছার্চ ৱার্কসু তৌজনিংঙি, মদুনা করম্না তৌগনি মেদাম।

ঙানবীসনা :- নঙগী রিছার্চ ৱার্কসু অদুমক তৌবা য়াগনি, ঐগী প্রোজেক্ট অসিসু অদুমক য়াওনা য়াওনা, প্রোজেক্ট অসিদগী নঙগী ফংফম থোকপা পৈশাসু মতিক চানা ফংগনি অদুনা নঙগী রিছার্চ তৌবদা অমদি নঙগী ইমুং-মনুংগী অৱাৎ-অপা পুন্নমক মেন্নবা ঙম্লগনি খল্লি।

কোরৌঙানবী :- মেদামনা ঐবু নুংশিবীবা, ঐগীদমক খনবীবা পুন্নমকশিং অসি পুন্সি চুপ্পগী কাওজরোই, মেদামগী লমন তোনশিনজরবনি।

ঙানবীসনা :- নঙ য়াম্না লৌশিং লৈবী, লাইরিক লাইশুদা পুক্নিং চংবী, নথৌ মশক খঙবীনি। ঐনা নঙবু য়াম্না থাজনা থল্লিবনি, নঙ হোৎনবা লেপ্পা য়াদে।

য়াইমা :- সে ইবেম্মা, ইপানা চা লোনবীরকপনি চা থকউসে, মমা নঙসু থকউসে।

কোরৌঙানবী :- পাবুংনা ৱান্নবা করিগী চা লোনবীরুরিনো, সিদগীদি রিছার্চ ৱার্ক খক্তা নৎতনা ঐ তোয়না তোয়না সিদা লাক্কুনা পাবুংহোয়গী থবক-ইনখাংদসু মতেং পাংলদোইনি।

য়াইমা :- ইচাগী ৱাহে অসি তারুরগা ইচা নিঙোল অমা ফংজবগা চপ হেক মান্নখরে, পুক্নিং খঙনুং নুংশিরকই, ইচানিঙোল য়াওজদবা ঐসে।

ঙানবীসনা :- চীংথংগা ঐখোয় ইবুংঙোগসু চা থকখ্রবরো, করি করি পীজবীখ্রগে।

য়াইমা :- মোয় অনিদি ঙসাইনা মোয়না থোকপা করি করিনো হৌরগা চাখ্রবনি।

ঙানবীসনা :- ফরে ফরে অদুবু ওইরদি, কোরৌঙানবী নখোয়গী ইগজামসু নোংমা নিনিসিদা শোয়দনা হায়দোক্লগনি অদুনা নঙগী রিছার্চকী সিনোপসিস ইবা হৌরো।

কোরৌঙানবী :- অদো মেদাম টোপিকতি ক্লাইমেৎ চেঞ্জনা মরম ওইরগা ইরমদমসিদা ফংলিবা ফ্লোরা অমদি ফৌনাশিংদা পীরক্লিবা চৈথেংগী মরমদা ওইনা অদুম তৌরসি।

ঙানবীসনা :- উম মদুদা অদুম তৌরসি, ক্লাইমেট চেঞ্জনা মরম ওইরগা মালেমসিদগী শা-ঙা, উচেক অমদি পাম্বী মখলশিং মাঙখিবা মুৎখিবা য়ানা লৈরবনি। শাবগী চাং হেনগৎলক্লিবা অসিনা মরম ওইরগা মালেমগী মফম অয়াম্বা লৈকংলা ওনখিবসু য়াই। হৌজিক মালেমসিদা গ্রীন হাউস গ্যাস থাদোরকপগী চাং অসি হন্থহন্দবা তারবদি মালেমসিদা লৈরিবা শা, উচেক, পাম্বীশিং অসিগী শরুক মরি থোকপগী অমদি চহি চাম্মরোমসিগী মনুংদা মুৎখ্রগনি।

য়াইমা :- হৌজিক মালেমসিদা ওইরক্লিবা ক্লাইমেৎ চেঞ্জ অসি মীওইবা ঐখোয়না থোকহনজবনি, মরম চাদনা ইকং থোক্লিবা, ইচাও থোক্লিবা, নোং তাগদবা মতমদনা হেক তাদা, তারোইদবা মতমদনা হেক তা, শাবগী চাং খঙহেন হেনগৎলক্লিবা মরম ময়ামসিদগী শা-ঙা, উচেক-ৱায়া অমদি পাম্বী কয়া মানা মানা হান্না লৈজরম্বা হৌজরম্বা মফম কয়াদা লৈবা ঙম্লক্তবা, হৌবা ঙম্লক্তবদগী হীংবা ঙম্নবা মখোয়গা চানবা মফম থীদুনা চৎখিবা, হোংখিবা অদুগা হীংবা ঙমদদুনা শীখিবা কয়া অমসু ওইহল্লক্লি।

কোরৌঙানবী :- ঊনগী শরুকশিং শৌদোরকপদগী পোলর বিয়রশিংগী লৈফম লৈরক্তবা, সমুদ্রগী ঈশিংগী ইমায় হেনগৎলকপা অমদি থুমহি চেনবগী চাং ৰাংখৎলকপনা মরম ওইরগা মেনগ্রোভ ফোরেষ্টশিং মাঙশিল্লকপা, সমুদ্রগী ঈশিং শাবগী চাং ৰাংখৎলকপদগী সমুদ্রদা ফংবা ঙা মখলশিং সালমোননচিংবশিংগী মশিং খঙহন হন্থরকপা, মরম ময়াম অসি গ্লোবেল ৱার্মিং থোরকপদগীনি।

ঙানবীসনা :- উম অচুম্বনি, অসিদসু নৎতনা শাবগী চাং হেনগৎলকপদগী য়ুএস অমদি কানাদাগী ঊনতনা কুপশিন্দুনা লৈবা উমংগী শরুকশিং মাংশিল্লকপদগী লীনক্স হায়রিবা হৌদোং মখল অসি মালেমসিদগী মুৎখিবা য়ানা লৈরে। হৌজিক লৈরিবা টেম্পরেচরগী চাং অসিদগী দিগ্রি সেলসিয়স ২.৫ দগীনা ৪ (মরি) ফাওবগী চাং য়ৌনা হৌজিক্কী চহি চা অসি লোইরকপা অদুৱাইদদি হেনগৎলগনি হায়না পানরি, মরম অসিনা কানাদা অমদি য়ুএসকী উন্না কুপশিনবা উমংগী শরুকশিং অসি চাদা ১০দগীনা ২০ ফাওবগী চাং য়ৌনা মাঙখ্রগনি।

লোয়াঙানবা :- ৱারি লোইদ্রিবরো হৌজিকফাওবা, করি ৱারীনোনে অদুক পুক্লিং চঙনা শারিশিবো।

ঙানবীসনা :- লোয়াঙানবা... চীংথং ... নবানিসু সিদা ফমলোরাওনে ঐখোয়গী ৱারিসে তারোরাও, মালেমসিদগী শা-ঙা, উচেক অমদি পান্থী মখল কয়া অইং-অশাগী চাংদা অহোংবা লাকপদগী মাগী মাগী হান্না লৈজরম্বা মফমশিংদা লৈবা ঙল্লক্তবা অমদি মালেমসিদগী মুৎখিবা য়ানা লৈরবা থৱাইপানবশিংগী মরমদা খন্নরিবনি।

লোয়াঙানবা :- অদুদি খঙবদা য়াম্না কান্নবা ৱাফমনি, হৌজিক হৌজিক মালেমসিদা গ্রীন হাউস গ্যাস হেনগৎলকপদগী হোংলক্লিবা অইং-অশাগী খলনা মরম ওইরগা ইন্টরগোর্ভনমেন্টেল পেনেল ওন ক্লাইমেৎ চেঞ্জগী ইং ১৯৯৮ গী রিপোর্ট মতুংইন্না মালেমসিদা ফংলিবা শা মখলশিং অমদি পান্থীশিং অসি মখোয় মখোয়না হান্না লৈজরম্বা মফমশিং অদুদা লৈবা ঙল্লক্তবদগী হীংনবগীদমক চান্নবা মফমশিং থীদুনা চৎনখ্রগনি অমদি হৌখ্রগনি হায়না হায়রি।

য়াইমা :- ঐনা নহাল নোংমা সাইন্স জর্নেল অমখক্তা থেংনখিবদুবু ... আ চহি কুনমুকসিদা শাবগী চাং হেনগৎলকপদগী ইউরোপতা ফংবা উচেক মখলশিং অমদি কুরাক মখলশিং লৈবা ঙল্লক্তবদগী কিলোমিটর ১১৪ রোম লাপনা অৱাং থংবা শরুকলোমদা পাইথোকখরে হায়না হায়।

চীংথং :- ৱারীবুদি য়াম্না নুংঙাইরি, অদো মেদাম পুংসু থেংজিনলক্লে, ঙসিগী ওইনদি ঐখোয় হনখিনবা তৌজরগে।

ঙানবীসনা :- হোয় হোয়, অদো কোরৌঙানবী সিদগীদি ঐখোয়না তৌসি হায়নরিবা থবকশিংসে মায় পাক্লবা হোৎনরসিকো।

কোরৌঙানবী :- অহোয় মেদাম, ঐনা হেক ঙল্লিবমখৈ থৰায় য়াওনা হোৎনজগনি।

লোয়াঙানবা :- ইমা, ঐ ৰা অমতা হায়হৌগে ময়াম পুল্লিঙৈসিদা।

য়াইমা :- করি ৰানোনে নঙনা নমাদা অমুক হায়গে হায়রিসিবো, নপা ঐঙোন্দা হায়বদি য়াদবরো।

লোয়াঙানবা :- য়াইদা, অদু ওইরগনা ইমাগা বাবাগদা পুন্না হেক্তা হায়রগে, অদুবুরো লোক্তাক পাৎতা কোইবা চৎলুদবসু য়াম্না কুইরে, হয়েংদি ছুটিনি ঐখোয় পুল্লপ কোইবা চৎলুসি হায়গে তৌবনি।

ঙানবীসনা :- এ ! অদুদি য়াম্না তান চরে, লোক্তাক পাৎতা লৈরিবা থৰায় পানবা মখলশিংদা ক্লাইমেৎ চেঞ্জনা মরম ওইরগা করি করি অকায়বা থোকহল্লবগে হায়বদুসু থিজিনলকপা য়ারে।

য়াইমা :- নোয় নমাগী হৌনবী তৌরকঅদৌনি, নোং ফাদোক পোথাবা ওইনা লম য়েংবা, কোইবা চৎলুসি হায়রগা মাগী রিছার্চকী ফিল্ড ৰার্ক চৎলুসি হায়বগা চপ হেক মান্নে।

ঙানবীসনা :- কৈনো তান চারিঙৈদা সুম থিজিনলকসি হায়বগী ৰানি, সিবু কয়াম কাইরগে?

য়াইমা :- আ কায়দে কায়দে, ঐ সুম হায়জবগী ৰানি সনাইবেম্মা।

ঙানবীসনা :- (শাওনা) মোয়বাবাগী হৌনবা অঙাং ময়াম মমাংসিদা ফরক অমুক হৌরকঅবরা?

য়াইমা :- (তপথরগা) হৌজদে হৌজদে, অদুদি অঙাংশা হয়েংসি কমদৌসি হায়বা, কোরৌঙানবী... চীংথং নবানিসু য়ারবা নৎতরা।

লোয়াঙানবা :- য়াদবা য়ারোই, ঐ হয়েং অয়ুক ঙন্তা নবানি লৌবা লাকঅদোইনি।

কোরৌঙানবী :- হোয় দাদা, ঐখোয়সু ঙন্তা লোয়শিল্লগা ঙাইজরল্লগে, অদুদি তাচৌ চৎলসি থেংখরে।

চীংথং :- হোয় চৎলসি, অদুদি পাবুং ... মেদাম ঐখোয় অমুক চৎচরগে।

-ম্যুজিক-

(মতম: নুমিদাং, মফম: কোরৌঙানবীগী য়ুম, নোং খোংবা, খাকপা, লাওবা য়াওনা, নোং কন্না চুথরকপা)

কোরৌঙানবী :- অস ! নোংশিসু কন্না চুথরক্লে, হৌজিক্তা অতিয়াসি থৰানমিচাক্লা পুল্লং লংনা থোক্লম্মনি, কদোমদগী হৌরকপা অপাইবা নোংনো খঙদে অসুক কন্না চুথরক্লিবা অসিবু, হৌজিক্কী ৰেদরসে মথোং মরম অমতা খঙদরে, মীকুপ খুদিংগী হোংলে। ঐখোয় তাচৌদুনা হৌজিক ফাওবা লাকত্রিসিনা কৈদৌরজাৎনো, ঐ ইতোমতা লৈহৌইকাসি লোয়না কাওরবরা খঙদে (ফোন রিং লাকপা) ... হল্লো... কনা...।

| | | |
|---|---|---|
| লোয়াঙানবা | :- | ঐনা খঙদ্রবরো ... চাক চারবো? |
| কোরৌঙানবী | :- | কনানো হায়বনে, খঙলগবু হংখিগদরা? |
| লোয়াঙানবা | :- | কোরৌঙানবী ! নঙ ঐগী খোঞ্জেলসু খঙদ্রবরো? |
| কোরৌঙানবী | :- | হায়মা দাদা লোয়াঙানবরো, দাদাদি ঐগী ফোন নম্বরশিদি কমায়না খঙলিবা। |
| লোয়াঙানবা | :- | ফোন নম্বর খঙববু অদুক লাইবদুবু হেক্তা খংঙি, নোয় তাচৌদি লৈবরো, মাগী ফোনসু ঙসাইদগী ত্রাই তৌবনি শুংফং ফংদে। |
| কোরৌঙানবী | :- | ঐখোয় তাচৌদি থবক চৎখিবদগী হল্লক্ত্রিয়ে, কৈদৌরবনো খঙদে নুংতিগীদি ঙন্তা হল্লকপনি, নোংনা মরোল অমা কন্না চুবনে ঐদি পাখৎপনা লোইরে। |
| লোয়াঙানবা | :- | কৈসু তৌরোইদা পাখৎকনু, নোং খরা পাথরল্লগা অদুম হঞ্জরক্কনিদা। |
| কোরৌঙানবী | :- | অদো দাদা নোংসি অসুম হাংদ্রবদি হয়েং লোক্তাক পাৎ চৎসি হায়বদুবু চৎপা য়াগদৌরিবরা। |
| লোয়াঙানবা | :- | য়ানিদা হৌজিক্কী ৱেদরসিদি ঙহাক ঙহাক্কী অহোংবা নাইবা ৱেদরনি, হৌজিকপু খঙহৌদনা নোং কন্না চুথরল্লিবসিবু অঙকপা নৎতরো, ঋতুগী খোঙচৎসে লোয়না কায়রেদা, ফরেসে সিগী ৱাসি তোল্লসি, ঐদি হয়েং অয়ুক পুং তরুক চপ চানা লৌবা লাক্কনি, রেদিদা লৈরম্মু, নোয় তাচৌদসু হায়য়ু |
| কোরৌঙানবী | :- | হোয় হায়গে অদুদি দাদা ফোন থম্মগে, গুড নাইট । |
| লোয়াঙানবা | :- | ওকে, গুড নাইট। |
| চীংথং | :- | (চংঙকপা) ইবেন্মা ... কোরৌঙানবী নঙবু চাক লোইরবরো, কনাগনো নঙনা হৌজিক ফোনদা ৱারী শান্নরম্মীদুনা। |
| কোরৌঙানবী | :- | চাকপুদি লোইরে, দাদা লোয়াঙানবগনি। তাচৌদি নোংসু লোয়না চোৎলেনা। |
| চীথং | :- | এ ! মাদি করিগী নঙোন্দা ফোন তৌরকইবা। |
| কোরৌঙানবী | :- | তাচৌদা ফোন তৌবদা ফংদরে হায়য়ে, অদুদগী ঐঙোন্দা অমুক তৌরকপনিদা, হয়েং অয়ুক পুং তরুক চপ চানা মা লাক্কনি হায়রকই। সে ফদি সিদা লৈরে অচোৎপদু হান্না অমুক্তা তৈথোকখিসি। |
| চীংথং | :- | নোংদাসিদা য়াবু য়াগদরা খঙদে, চৎপু চৎলসু, চৎপু চৎত্রসু থোকঅবা অমা লাকচরনি। |
| কোরৌঙানবী | :- | ঙসি য়াম থেংঙল্লিসি করিগীনো তাচৌ। |
| চীংথং | :- | কম্পনিগী পোৎ খরা মফম খরা লাপ্পা থীনবা চৎলুবনি হল্লকপদা নোং কন্না তাশিনলকপদুদা চৎপা য়াদদুনা ঙহাক পন্দুনা লৈরকএ অদুননি। |

কোরৌঙানবী :- ইমা-বাবা লৈরম্মদি, তাচৌসু নুংঙাইনা লাইরিক লাইশু তমদুনা লৈজরমগদবনিকো, ঐগী হোৎনবদা তাচৌ নহাক য়াম ৱারেকো।

চীংথং :- তাচৌ করিসু ৱাদেদা, করিগীনো নঙনা অমুক নপুক্লিং খঙনৌ নৌথরকইদুনা?

কোরৌঙানবী :- (কপ্পা) কৈসু তৌদে, ঙসিদি ইমা-বাবা খঙনিং নিংশিংলকই। তাচৌ চৎথোকখ্রগা ইতোমদা তরক-তরক লৈবসে য়ুম নুংঙাইতে।

চীথং :- অঙাওবীসিদি, ইবুং লৈরিসিদি, হয়েংখৈ ইবুং ঙন্তা ঙন্তা হল্লক্লবা তৌরগে, লাকও লাকও তাচৌ চাক য়াম লাপ্লে, চাক চাথোকসি।

কোরৌঙানবী :- হোয় তাচৌ, চারুরসি।

-ম্যুজিক-

(মতম: অয়ুক, মফম: লোক্তাক মপান, নুংশিবা পেনাগী খোঞ্জেল লাপ্লা তাবা)

ঙানবীসনা :- আঙাংসা ! লোক্তক মপানসিদা লেপ্তুনা লোক্তাক পাৎকী ওইরক্লিবা মশক মওংশিং অসি য়েংসি লাকও।

য়াইমা :- তুরেলশিংগী ইতিনফম ওইরিবা হে লোক্তাক পাৎ, মীওই কয়াগী হীংনবগী লন্মী পীবীরিবা, থৱাই পানবা কয়াগী চংজফম ওইরিবা হে নুংশিরবী লোক্তাক পাৎ, ঙসিদি নঙগী শক্তম শক্লোন অসি কয়াদা হোংলবা, ওল্লবা।

কোরৌঙানবী :- অৱাং নোংপোক ভারতকী ফ্রেস ৱাটর লেকশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী চাওবা অমদি মালেমগী মফম অমতদসু ফংদ্রবা সঙাইগী লৈফম ওইরিবা লোক্তাক পাৎকী ফুমদিগী মফমশিং অসি নোংমা নোংমগী মাঙশিল্লক্লি অমদি থাবগী চাং অসিসু অসুম অসুম হনথরক্লি অদুনা সঙাইশিং অসি মতম খরগী মতুংদদি লৈফম লৈরক্তবদগী মালেমসিদগী মুৎখিবসু য়ারিবনি।

মালেমঙানবা :- মহৌশাদগী লৈজরক্লবা শা-ঙা, পান্মী মখলশিং ক্লাইমেৎ চেঞ্জনা মরম ওইরগা নোংমা নোংমগী মশিং হন্থরক্লি, হান্না লৈরমদবা জীবা মখল কয়া অমা লৈরকপা অদুগা লৈজরম্বা কয়ানা মুৎখিবনচিংবা থোরক্লি।

চীংথং :- মালেমগী মফম খুদিংমক্তা হোংলক্লিবা অইং-অশাগী খল অসিদি ঐখোয় পুম্নমক্না গ্যান তামিন্নদুনা ঙাকথোক্নবা হোৎনদ্রবদি, মালেম অসিদা মতম খরগী মতুংদদি থৱায় পানবা অমতা লৈররোইদা, সমুদ্রগী ঈশিংনা খরা থুমজিনখি, নুংশাগী মৈশানা খরা চাকথেকখি লোয়না পুমতুম তুমখ্রনিদা।

ঙানবীসনা :- অদুননি ঐখোয়না হৌজিক ক্লাইমেৎ চেঞ্জদগী করম্না থৱায়পানবশিং অসি ঙাকথোকপা ঙমগদগে হায়বগী মরমদা রিছার্চ প্রোজেক্ট অমা তৌগদৌরিবসি।

যাইমা :- অরাপ্পা মফমদগী লোক্তাক পাৎতা চাক্তাবা লাকপা উচেক্কী মশিংসু হৌজিক্তি অসুম অসুম হন্থরক্লে, য়েংঙুনে পাৎসিদা হৈক্রেক পান্বী হৌবগী চাংসু য়াম্না হন্থরক্লে। ঈশিং অসিসু নোংমা নোংমগী থেনগৎলকপদা নৎতনা লোয়নমক মোৎশিল্লে, পোল্লুসন থোক্লে। মসি পুম্নমক অসি কনানা থোকহল্লি, ঐখোয় মীওইবনা থোকহনবনি। ঐখোয় মীওইবশিংসে মশাগীতা খনবা, ঙহাক ঙহাক্কী নুংঙাইরগা লোইরে খনবা তুংদা করি থোক্লক্কদগে খন্দবা মীগী মশিংনা য়াম্না হেল্লি।

কোরৌঙানবী :- মেদাম লোক্তাক ময়াইদা মোটর বোট তোংদুনা চৎনিংঙি, চৎলুসিবা।

চীংথং :- ঐসু অমুক্তা তোংদ্রি, ঙসি লাক্লিঙৈসিদা তোংহৌরগে।

লোয়াঙানবা :- লাকও অশোমদা মোটর বোট অমা লৈরিসিদা ওইনা হেক্তা তোংলসি।

ঙানবীসনা :- লাকও লাকও তোংলুরসি, হো ইবুংঙো নঙগী মোটোর বোটতু সোমদা থৌজিল্লকও, সোমদা লৈরাইলোমদা খরা নক্লা ... আ য়ারে য়ারে (মোটোর বোট থৌজিল্লকপা)।

চীংথং :- লোক্তাক পাৎকী ফুমদিশিংনা শন্দোক্লিবা মফমসিবু কয়ামুক পাক চাওবগে।

লোয়াঙানবা :- ফুমদিশিং অসি চাওরাক্লা স্কার কিলোমিটর নিফুরোম পাক চাওনা শন্দোকই, মালেমগী মনুঙদা অতাওবা ফুমদিগী মথক্তা লৈবা নেসনেল পার্ক অসি কৈবুল লমজাও নেসনেল পার্ক অসিখক্তনি।

কোরৌঙানবী :- লোক্তাক পাৎ অসি মালেমগী ওইনা য়াম্না মরুওইবা পাৎ অমনি হায়বা খঙনরক্তুনা ইং ১৯৯০ গী মার্চকী তাং ২৩দা পাংথোকখিবা রামশার কনভেন্সনগী মতুংইন্না ৰেটলেন্দ ওফ ইন্টরনেসনেল ইমপোরটেন্স অমনি হায়না খনগৎখরে।

ঙানবীসনা :- লোক্তাক পাৎসিদা মণিপুরগী ইতিহাসকা শাগোন্নবা থৌদোক কয়া অমসু থোকখ্রিবনি।

যাইমা :- ঐদি লোক্তাক পাৎসিদা মোটোর বোট তোংদুনা কোইবসিদি পুক্লিংসে খঙনুং নুংশিরকইদা।

ঙানবীসনা :- করিগীনো মোয়বাবানা পুক্লিং নুংশিরকইদি, করি ৰাখল খল্লুরগে।

যাইমা :- হুম ! থায়নগী খন্বা থোইবীনা হি তোংদুনা লোক্তাক পাৎতা কোইবা চৎপদু মীৎসিদা শং-শং উরকপগুম তৌরকপা অদুগীনিদা।

ঙানবীসনা :- এ ! অদুগী ওইরেকো (নোকপা)।

-ম্যুজিক-